# য়ু এসকী খা-নোংপোক থংবা শরুক্তা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎশিংনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে, মীওই ১৮ শিখ্রে

ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৩ :

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খা-নোংপোক থংবা শরুক্তা মপাঙ্গল লৈরবা নোংলৈ-নুংশিৎশিং শিৎচিল্লকখিবদা মীওই ১৮ শিখ্রে অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা জোর্জিয়া ষ্টেটকী দৌহার্টি কাউন্টিদা ইমুং কয়ানা লম্বী অমগী মতাইদা পুন্না লৈদুনা শাথিরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা মোবাইল হোমশিং অমসুং তুহনখিবা উশিংদা ঙক্না য়েংনখি। মসি কাউন্টি কম্মিসনগী চেয়রমেন ক্রিস কোহিলাসনা থাগৎপা ভিদিওগী মতুং ইন্ননি। ‘মসি থাঙ্গৈশেংনমক মাঙ-তাকপগী ফীভমনি’ হায়না ফেসবুক্তা থাগৎখিবা ভিদিও অমদা কোহিলাসনা হায়খি।

‘মসি ন্যুক্লিয়র বোম অমা পোকখায়খিবগা মান্নবা ফীভমনি। অসিগুম্বা অমত্তা ঐহাক্না মমাঙদা উখিদ্রি।’

ময়ুম থাদোক্লরবা মীশিংগীদমক্তা লৈফম চাফমশিং শেল্লি হায়না কাউন্টিদুগী ইমরজেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা ট্বীটরদা ফোঙদোকখি।

য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ সাউথ-সেন্ট্রল জোর্জিয়াদা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুদা শিখ্রে হায়না ষ্টেটকী ইমরজেন্সি মেনেজমেন্ট অমসুং হোমলেন্দ সিক্যুরিটি এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

য়ুম কয়া পুংপাক পাকখ্রবা, উ-পাম্বী কয়া ফুক্তুনা লৈমায়দা তুহল্লবা অমসুং কার কয়া লংদুনা শান্নপোৎ মপৈগুম্না পৈদুনা লৈরবা ফীভমগী মরক্তদা মীওই মঙাসু থিবা খঙদনা লৈরি হায়না অদেল সিটিগী মেয়র বদ্দি দ্যুকনা হায়খি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা মিসিসিপ্পিগী খা থংবা শরুক্তা অকনবা টোর্নাদো অমা শিৎলকখিবদা অতৈ মীওই মরি শিখ্রে অমসুং ২০ না শোকখ্রে হায়না ষ্টেটকী ইমরজেন্সি সার্ভিসেস এজেন্সিনা হায়খি।

নোংলৈ নুংশিৎনা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি-বগীদমক্তা মহাক্না জোর্জিয়াগী গভর্ণর নাথন দিলদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাউমীশিংদা হায়খি। মহাক্না নোংলৈ-নুংশিৎশিং অদু য়াম্না খুদোংথীনিঙাই ওই অমসুং মপাঙ্গল লৈ হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ফ্লোরিদা অমসুং অলাবামাসু নোংলৈ-নুংশিৎকী চৈথেং নংখি হায়রদুনা ত্রম্পনা ‘ঐখোয় খুদিংমক্কী মহুৎ শিল্লদুনা (ঐহাক্না) অৱাবা ফোঙদোকচরি’ হায়খি।

চৈরকসিদা, জোর্জিয়াগী গভর্ণর নাথান দিলনা সাউথ-সেন্ট্রেল কাউন্টি তরেৎতা ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে। ‘শাথিরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুগী মতুংদা ষ্টেট অমনা ফেদরেল গভর্ণমেন্টগী মতেং পীরগনি’ হায়না মহাক্কী ৱারোল অমনা হায়খি।

‘নোংলৈ নুংশিৎশিং অসিনা মীওই কয়া মথৱায় মাংহনখ্রে, কয়া অমনা শোকহনখ্রে অমসুং লন-থুম কয়া পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে’ হায়না দিলনা হায়খি। ‘নোংলৈ-নুংশিৎকী চৈথেং নংলবা জোর্জিয়নশিংগীদমক্তা ঐখোয়না শেন্বীবা মপুদা খুরুমজে।’



## মেক্সিকোগী টুরিষ্ট টাউন্দা অশিবা হকচাং ১২ লৈরম্লে

গুৱাদালাজারা, জান্যুৱারী ২৩:

মেক্সিকোগী দ্রগকা মরী লৈনবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংগী ভিক্টিমশিংনি হায়না থাজনবা অশিবা হকচাং ১২ হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা শরুক্কী সিসাইদ রিজোর্ট মাঞ্জানিলোদা থেংনখ্রে। মখোয়গী মনুংদগী হকচাং তরেৎতি মকোকশিং য়াওদবগা লোয়ননা মখোঙ-মখুৎ ককখিবা অমসুং হকচাংগী অতৈ শরুকশিং ফীভম থীনা শোকহল্লমখি হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অমেরিকান অমসুং অতৈ মীরৈবাকমচাশিংনা পাম্না কোইবা চৎনবা এরিয়া অদুদা থোক্লিবা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোকশিংদু হঙ্গোইনিঙাই অমসুং থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। হান্নদি এরিয়া অদু মেক্সিকোগী অতৈ মফমশিংগুম্না দ্রগকা মরী লৈনবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং থোকখিদে হায়রি। থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা মঞ্জানিলোদগী সি হাউটলান ফাওবগী লম্বীদা হুন্দোল্লকুম্বা টেক্সি অমদা অশিবা হকচাং তরেৎ য়াওরমখি।

## ত্রম্পনা মেক্সিকো, কনাডাগা নাফটাগী মতাংদা অমুক হন্না ৱারী শানগদৌরি

ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৩ :

কনাডা অমসুং মেক্সিকোগী লীদরশিংগা মহাক্না উনবা মতমদা নোর্থ অমেরিকান ফ্রী ত্রেদ এগ্রীমেন্ট (নাফটা০ গী মতাংদা নৌহৌননা নিগোসিয়েট তৌরগনি অমসুং ইম্মিগ্রেসনগী ৱাফম খন্নগনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।

‘কনাগুম্বনা নাফটা হায়রিবসি তাখ্রবরা’ হায়না ত্রম্পনা মহাক্কী ৱারোল অমদা হংখি। মহাক্না ৱাহৈশিং অসি হ্বাইট হাউসতা সিনিয়র এদভাইজর কেলিয়ন কোনৱে য়াওনা এদমি-নিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া ৱাশক লৌবদা ফোঙদোকখিবনি।

‘নাফটা, ইম্মিগ্রেসন অমসুং বোর্দরগী সিক্যুরিটিদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐহাক্না কেম্পেন অমা চখখি। মেক্সিকোগী ৱাফমসু য়াওখিবা কেম্পেন অদু ঙক্লিংঙাই ওইখি।’

ত্রম্পনা হৌখিবা চহীদা মহাক্কী ইলেক্সন কেম্পেন মনুংদা চহী ২২ শুরবা ত্রেদ দিল অমুক হন্না নিগোসিয়েসন তৌনগনি অমসুং য়ু এসতা খুদোংচাহনগদবা টার্মশিং য়াওহনগনি হায়না প্রোমিজ তৌখি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক্কী মেক্সিকোগী লেঙমান্নবা এনরিক পেনা নৈতোগা জান্যুৱারী ৩১ দা উনগনি। মহাক্না কনাডাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদিয়ুগসু য়াম্না থুনা উনরগনি হায়না থাজে হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

‘ঐখোয়না নাফটাগা মরী লৈননা নিগোসিয়েসন খরা হৌগদৌরি’ হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

নাফটাগা মরী লৈননা নিগোসিয়েসন খরা হৌগদৌরি’ হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

মেক্সিকান প্রসিদেন্টগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, পেনা নাইটো অমসুং ক্রুদিয়ুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোনদা ৱারী শানখিবদা নোর্থ অমেরিকাদা ইকনমিক ইন্টিগ্রেসন পুরক্লবা খুৎশম্লনা হোৎনমিন্নবগী ৱাফমদা য়ানখি।

## ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা ৱেষ্ট বেঙ্ক লৌশিনবগী ভোটকী মতম য়ৈথোকখ্রে

জেরুসালেম, জান্যুৱারী ২৩ :

ৱেষ্ট বেঙ্ককী খ্বাইদগী চাউবা সেট্টলমেন্টশিংগী মনুংদা অমা লৌশিন্নবগী অরুবা প্রপোজেল অমগী মতাংদা ভোট লৌননবা লেপ্পরম্বদু ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা মতম খরা য়ৈথোকখ্রে। পালেষ্টিনিয়নশিংগী মতাংদা লৈরিবা মহাক্কী পোলিসী অদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসনগা কোওর্দিনেট তৌনবগীদমক নোংমাইজিং নুমিৎতা ভোটকী মতম য়ৈথোকখিবনি হায়রি।

খোঙথাং অসিনা নৌনা ঈরাং লাকহনগদবা অমসুং পলেষ্টি-নিয়নশিংগী নিংতম্বগী ৱাফমদা অকায়বা থোক্লিঙাই ওইবা লেজিসলেসন অদু ফাজিন্দুনা থমখি। মসি ত্রম্পকী অহানবা মিদ্দল ইষ্ট দিপ্লোমেসিগী খোঙথাং অমসু ওইরি।

প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী চহী ৮ মরী ফনরুদ্রবা মতুংদা নেটনয়াহুনা ত্রম্পনা মীখলদা মায় পাকখিববু মমাঙৈদগী মীচঙ ওইনরক্লবা লৈবাক অসিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী তাঞ্জা অমা ওইনা লৌখি। মীওই অনী অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোনদা ৱারী শাননবা লেপ্পখিবনি।

মালেম পুম্বনা নুংনাংবা উৎনরিবা সেট্টলমেন্টগী মুভমেন্টগী মতাংদা ত্রম্পনা হেন্না টোলরেন্ট ওইবা ঈঙ্গিৎ অমা পীখিবগা লোয়ননা ইজরেলগী নেসনেলিষ্ট রাইটনা হৌজিক ৱাশিংটনদা মীচঙ অমা লৈরে হায়না থাজরি অমসুং ইজরেলি হার্দলাইন লীদরশিংনা ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা হেন্না কন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎকন্দবনি হায়না ইফোং ফোংনা হায়রি।

প্রো-সেট্টলমেন্ট জ্যুৱিশ হোম পার্টিগী লীদর ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর নাফতালি বেনেটনা নেটনয়াহুদা পালেষ্টিনিয়র ষ্টেট অমা শেম্না হায়বা মালেম্না শৌগৎনবা আইদিয়া অসিবু থাদোক্লবা অমসুং জেরুসালেমগী মনাক্তা লৈবা মালেহ এদুমিম সেট্টলমেন্ট লৌশিন্নবা তকশিন্দুনা লাকখি।

তৌইগুম্বসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্কী সিক্যুরিটি কেবিনেটকী মীফম অমা কৌরবা মতুংদা নেটনয়াহুনা হায়খি মদুদি, বেন্নেট য়াওনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা ৱাশিংটনদা চত্তুনা মহাক্না ত্রম্পকা উনদ্রিফাওবা থবক পায়খৎতনবা মোত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌরে। নেটনয়াহুগী ওফিসনা হায়খি, ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়ারিবা মীফম অদুগী মাঙওইননা কেবিনেটনা মখা তাবা দিস্কসনশিং পাঙথোক্কনি।



নেটনয়াহু অমসুং ত্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোনদা ৱারী শানখি। মদু য়াম্না মওং তানা চখখি হায়না হ্বাইট হাউসতা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা অতেনবা কম্মেন্ট অমা পীরদুনা হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা নেটনয়াহুনা ত্রম্পপু মহাক্কী মরূপ-মপাং ওইবগী থৌওংগী অমসুং মহাক্কী অহানবা স্পীচতা রেদিকেল ইস্লামিক মিলিটেন্টশিং থেংনগনি হায়না অচেৎপা থাজবা পীখিবগীদমক্তা থাগৎখি।

ত্রম্পকা ৱারী শানবা মতমদা মহাক্না ইজরেলি-পলেষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্ট, সিরিয়াগী ফীভম অমসুং ইরানগী থ্রেট অমসুং অতৈ-অতৈ ইস্যু কয়া খন্নগনি হায়না নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপদগী নেটনয়াহুনা সেট্টলমেন্টশিংবু চাউথোকহনবগী ৱাফম অসি লুনা লৌরকখি। মহাক ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিংবু মতম শাংনা শৌগৎতুনা লাক্লবা লীদরনি।

ইজরেলগা মুক্লবা অরোইবা খোঙথাং অমা ওইনা হৌখিবা থাদা ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলবু ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিং লোগী মায়োক্তনি হায়না কন্দেম তৌবা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌহনখি।

## ‘গাম্বীয়াগী প্রসিদেন্টনা মফম থাদোক্লমদাইদা লৈবাক্কী য়াম্লবা শেনফমশিং হুরাল্লম্লে’



বাঞ্জুল, গাম্বীয়া, জান্যুৱারী ২৩ :

লোই চৎখ্রবা গাম্বীয়াগী ষ্ট্রোংমেন য়াহয়া জাম্মেহনা পৱার থাদোক্লমদাই অরোইবা চয়োল খরদুদা লৈবাক্কী লন-থুমশিং লুট তৌখি অমসুং দোল্লর মিলিয়ন কয়া হুখি হায়না লৈবাকসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অদামা বেরোগী তেংবাঙলোয় অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

জাম্মেহনা থাংজ নুমিৎতা গাম্বীয়াদগী পাইথোকখিবগা লোয়ননা পীকখ্রবা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অদুবু মহাক্না চহী ২২ তৌনিংবদা তৌদুনা পাল্লকখিবদু লোইশিনখি। মহাক ইক্কিটেরিয়ল গীনি পাংখিবগা লোয়ননা মফমদুদা মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা লৈখ্রগনি হায়না থাজনরি।

চয়োল অমা হেন্না য়ুম্লোন্নবা সেনিগলদা লৈরকখিবা বেরোনা লৈঙাক্কী পৱার পায়নবা বাঞ্জুলদা হল্লকপদা সিক্যুরিটি পীনবগীদমক্তা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী মিলিটরি ফোর্স অমা নোংমাইজিং নুমিৎতা গাম্বীয়া চঙলকখিবদা মীয়াম্না হরাউ তয়াম্বা উৎলদুনা তরাম্না ওকখি।

তৌইগুম্বসুং জাম্মেহনা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎপদা খুদোংথীবা অমসুং অকায়বা অমত্তা থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীবগী মতাংদা ৱাথোক অমা লাক্লিঙৈ তাল্লক্তা অনৌবা প্রসিদেন্ট বেরোগী তেংবাঙলোয় মাই ফেট্টিনা হায়খি, মদুদি হন্দক্তা লৈবাক্কী শেঙ্গাওদগী দোল্লর মিলিয়ন ১১ হুরানখ্রে হায়বসি অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসননা খঙবা ঙম্লে।

‘ষ্টেট কোফরশিং পুংহাং হাংবগা মান্নরে’ হায়না মহাক্না হায়খি।

‘চয়োল অনীরোমগী মনুংদা দালাসি মিলিয়ন ৫০০ (দোল্লর মিলিয়ন ১১) হেন্না জাম্মেহনা ৱিঠদ্রো তৌখ্রে।’ ‘ঐখোয়না পায়রকপা মতমসিদা গাম্বীয়াগী গভর্ণমেন্ট অসি শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরে’ হায়না মহাক্না হায়খি।

দিসেম্বর ১ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা বেরোনা মায় পাকখ্রবসু জাম্মেহনা মফম থাদোকউ য়াখিদবনি। অসুম্না পোলিটিকেলগী তং-তাদবা ফীভম অমা লৈরম্বদু মিলিটরিনা মপুং ফানা খোঙথাংজিল্লকপদগী লোইশিনখি।

জাম্মেহ নোংমাইজিং নুমিৎকী য়াম্না ঙল্লিঙৈ অহিংগী মতমদা করিগুম্বা অমত্তা খঙনবা থাদবা প্লেন অমদা গীনি-কোনাক্রিগী প্রসিদেন্ট অলফা কোন্দেগা লোয়ননা গাম্বীয়াগী কেপিটেল বাঞ্জুলদগী তুমিন্না পাইথোকখি।

মহাক্না গাম্বীয়া থাদোক্তুনা চৎখিবদা মহাক্কী দাইহার্দ সপ্পোর্টর খরদমক লৈবাকসিদা লৈহৌখি। মখোয় খরদি মহাক্কী প্লেন্না লৈমায়দগী পায়খৎখিবা মতমদা কপ্পখি হায়রি।

‘বেরোনা য়ারিবমখৈ থুনা হল্লকপা পামই’ হায়না মাই ফেট্টিনা হায়খি। ‘অদুম ওইনমক গাম্বীয়াদা হৌজিকসু সিক্যুরিটিগী ফীভম লুনা লৈ।’

নোংমাইজিং নুমিৎতা হান্না গ্রাউন্দদা লৈরিবা ফোর্সশিংগী মথক্তা গাম্বীয়াদা অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিনখ্রে হায়না বেরোগী ৱারোল পল্লদুনা মাই ফেট্টিনা পাথোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

তঙাই ফদবা লৈবনা অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসননা ইকনমিক কম্যুনিটি ওফ ৱেষ্ট অফ্রিকান ষ্টেটস (ইকোৱাস) গী ফোর্সশিংবু মখা তানা গাম্বীয়াদা লৈহনবা পামই হায়না মাই ফেট্টিনা হায়খি।

## সিরিয়াগী মুক্লবগী ফীভম লোইশিন্নবগী পান্দমদা কাজখষ্টানগী কেপিটেলদা ৱারী শানবা হৌখ্রে

অষ্টানা, কাজখষ্টান, জান্যুৱারী ২৩ :

সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট লৈখায় তানবগী পান্দমদা কাজখষ্টানগী কেপিটেল অষ্টানাদা ইনৌ নৌনা ৱারী শানবা হৌখ্রে।

ৱারী শানবদু সিরিয়ন গভর্ণমেন্টবু শৌগৎলিবা রসিয়া অমসুং ইরান লোয়ননা রেবেলশিংবু শৌগৎলিবা টর্কিনা ৱাতেমদুনা পাঙথোক্লিবনি।

ইহান হানবা ওইনা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগী মীহুৎশিংদগী ওইবা ওপোজিসনগী দেলিগেসন অমা শেমখি।


ওর্গনাইজরশিংনা ৱারী শানবদুদগী ব্রেকথ্রু অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা। রেবেলশিংগী মায়কৈদগীদি গভর্ণমেন্টগা হকথেংননা নিগোসিয়েসন তৌনরোই হায়রি।

মমাঙগী ৱারী শানবগী অরোইবা রাউন্দ অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী অঙনবা শরুক্তা লেপখি। মদু য়ু এননা ৱাতেমদুনা পাঙথোকখিবনি। ৱারী শানবদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) হায়না খঙনবা জিহাদিষ্টশিং য়াওদে। পিছ টৌক্স অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোইবা য়াই হায়না কাজখষ্টানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

চহী ৬ লোম শুরবা কনফ্লিক্ট অদুদা মীওই ৩০০,০০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন ১১ ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখ্রে।

সিরিয়াদা থাবা য়ু এনগী পাউখোল্লোয় ষ্টাফান দি মিষ্টুরাসু ৱারী শানবদুদা শরুক য়ারি। য়ু এসকী ওইনদি কাজখষ্টানদা থাবা এম্বেসেদরনা মীহুৎ ওইদুনা শরুক য়ারি।

‘অলেপ্পোগী মতাংদগী খুদিংমক অহোংবা লাক্লে’ হায়না হৌখিবা চহী কয়ামুক সিরিয়াগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা ইনগেজ তৌরকখিবা নোংচুপলোমগী অনৌবা দিপ্লোমেট অমনা হায়রি। ‘হৌজিক অনৌবা ইক্কেসন অমা লাক্লে।’ হৌখিবা দিসেম্বরদা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা সিযি অলেপ্পোদা ওপোজিসন্না মপুং ফাবা মওংদা মায়থীবা নংখিবদগী প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী লৈঙাকপু শিংনবদা শিজিন্ননবা খন্নরম্বা মখোয়গী মরু ওইবা অরোইবা অর্বান ষ্ট্রোংহোল্ড মখোয়গী মখুৎতগী নাম্থোকখি।



অমুকসু টর্কিশ কেপিটেল অঙ্কারাদা অনৌবা রসিয়ন-টর্কিশ এলাইঅন্সনা সিরিয়াগী অনীশুবা সিটিগীদমক শোক্লবা অরোইবা লাল লোইশিন্নবগী দিল অমা য়ানখিবগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট অদুদা অহোংবা ফীভম খরসু লাকপা উরগনি হায়রি।




## EMPLOYMENT NEWS

### OFB Recruitment 2017 – Ordnance Factories Board – 7048 Apprentice Vacancies – Last Date 07 February

**OFB Recruitment 2017**
Ordnance Factories Board invites Application for the post of 7048 Apprentice in various disciplines . Apply Online before 07 February 2017.

**Job Details :**
Post Name : Apprentice
No of Vacancy : 7048 Posts

**Eligible Criteria for OFB Recruitment :**
Educational Qualification : Passed “Madhyamik” (10th standard or equivalent) with minimum 40% marks in aggregate with 40% marks in each of mathematics & Science or passed ITI/ trade test from any institute recognized by NCVT.

Nationality : Indian
Age Limit : 14 to 22 years as on 07.02.2017
**Age Relaxation** :
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test.
**How to Apply OFB Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://ofb.gov.in/ from 17.01.2017 to 07.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 17.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 07.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ofb.gov.in/download/DetailedNoticeForTradeAPrrenticeOFB-55th%20Batch.pdf
Apply Online : http://ofb.gov.in/

### UPSC Recruitment 2017 – National Defence Academy & Naval Academy Examination (I), 2017 (390 Vacancies) – Last Date 10 February

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of National Defence Academy & Naval Academy Examination (I), 2017 for 390 Vacancies. Apply Online before 10 February 2017.

Advt. No. : 03/2017-NDA-I
**Job Details :**
Post Name : National Defence Academy & Naval Academy Examination (NDA) (I), 2017
No of Vacancy : 390 Posts
Pay Scale : Rs. 15600- 39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-
**Course wise Vacancies :**
National Defence Academy : 335 Posts (208 – Posts for Army, 55 – Posts for Navy and 72 – Posts for Air Force)
Naval Academy (10+2 Cadet Entry Scheme) : 55 Posts
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Army Wing of National Defence Academy : 12th Class pass of the 10+2 pattern of School Education or equivalent examination conducted by a State Education Board or a University.
For Air Force and Naval Wings of National Defence Academy and for the 10+2 Cadet Entry Scheme at the Indian Naval Academy : 12th Class pass of the 10+2 pattern of School Education or equivalent with Physics and Mathematics conducted by a State Education Board or a University
Candidates who are appearing in the 12th Class under the 10+2 pattern of School Education or equivalent examination can also apply for this examination.
Nationality : Indian
Age Limit : candidates born not earlier than 02nd July, 1998 and not later than 1st July, 2001 are eligible

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Psychological Aptitude Test and Intelligence Test.
**Application Fee :** The candidates have to pay Rs. 100/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/ master credit/debit card. SC/ST candidates/Sons of JCOs/ NCOs/ORs who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 18.01.2017 to 10.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 18.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 10.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/Notice_Engl_NDA_NA%20_I_%20Exam_%202017_0.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### SAIL Recruitment 2017 – Steel Authority of India – 14 Mining Sirdar & Operator-cum-Technician Trainee Vacancies – Last Date 28 February

**SAIL Recruitment 2017**
Steel Authority of India invites application for the post of 14 Mining Sirdar & Operator-cum-Technician Trainee for its collieries. Apply Online before 28 February 2017.

Advt. No. : CD(K)/P&A/RECTT(NEx)/2016/677
**Job Details :**
Post Name : Operator-cum-Technician Trainee (Electrical)
No. of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 15830-22150/-
Post Name : Mining Sirdar
No. of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs. 16800-24110/-
**Eligibility Criteria for SAIL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Operator-cum-Technician Trainee : Three years full time Diploma in Engineering from Govt. recognized institute in Electrical discipline.
For Mining Sirdar : Matriculation and Valid Mining Sirdar’s Certificate issued by Director General Mines Safety (DGMS).
Age Limit : 18 to 28 years as on 28.02.2017
**Age Relaxation :**
For SC/ST candidates : 05 years
For OBC candidates : 03 years

**Job Location : Kolkata (West Bengal)**
**How to Apply SAIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.sail.co.in from 30.01.2017 to 28.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 30.01.2017
Last Date For Submission of Online Application : 28.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.sarkarinaukrisarch.in/wp-content/uploads/2016/12/sail-recruitment.jpg
**Apply Online :** http://sailcareers.com/careers.php